# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১০১

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

**ঙসিগী** চাওখৎলবা ২১শুবা চহী চাসিদা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা অওনবা অহোঙবা চাওখৎপগী খম থেংলবা শক্তম খরদি ময়েক শেংনা খঙনরক্লি। হীরম খুদিংমক্তা তমজনীংঙাই ওইরবা খরদি মীৎমাংদা চোঙথোক্লরক্লবা তাঞ্জা অমনি। মীওইবগী পুন্সিদা থাজদ্রবা থৌদোক-ৱাথোক মশীং খঙদনা নোংমা-নোংমগী তানরক্লি। ঙসিদি মালেম অসি কম্প্যুটরগী লমদা খম থেংনা চাওখৎলবা চক ওইরে। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিদদি করি করম্বা তমজনীংঙাই ওইবা খুদম অমত্তা মীৎমাংদা খঙহন উহনবা ঙমদবসি করিগীনো? মীনা মীবু ওৎপা, মীগা মীগগী মরক্তা খেন্নবগী শক্তম নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। মসিমক করি করম্বা উপায় তৌরগা শেমদোকপা ঙমগদগে হায়বা হৈনা শিংনা নৈনবীফম থোকই। মীৎয়েং অশোমদা খন্না নৈনবগী মহুত্তা ইন্দিয়াগী ওইনা শেঞ্জা থুমজা, লাইনীং-লাইশোন, কাঙলুপ-ফুরুপকী মরক্তা নুংশিনদবগী ৱাথোক-লান্থোক থাজদনা থোরকই। মীনা মীবু শা-ঙা লল্লোনবগুম চত্থরকপা হায়বসি চাওখৎপগী খুদম অমনি হায়না লৌনরগদ্রা?

মসি পূন্নমক্কী মথক্তা অমনা অমবু থাজনদবগী, পোলিটিক্সকী য়াম্না খুরবা মীৎয়েংলোমদা হেন্না হেন্না নকশিন্নরকপা, অফবা অমনি হায়না লৌগদ্রা? মসিগী মিৎয়েংলোমদা চত্থরকপা হায়বসি অফবা খোঙথাং অমদি ওইগনি নীংদে। মসি ঙম্নমক থাদোক্লদুনা অঙম অঙম্বা অফবা থবক খরা, পোলিটিক্সকী, লাইনীং-লাইশোনগী ৱাফম্না তোঙান্না থল্লগা পূন্না খন্নমিন্নবগী মিৎয়েংলোমদা পূক্নিং হেন্না চঙশিনমিন্নরবদি খূমাং য়াঙনা চাওখৎপগী লম্বীরোমদা চঙশিনবা ঙমগনি হায়বসি মীয়ামগী থাজনবনি। কাঙলুপ-ফুরুপ, লাইনীংগী খেন্নবা থম্নবগী মহুত্তা মপূং ওইনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপা অমদি লাইরিক-লাইশুদা মায় ওনশিনবনা হেন্না মরুওই হায়জনীংই। মতাংসিদা গান্ধীয়ান ফিলোসোফি, মাক্সিজম ফিলোসোফিনচিংবা কয়াবু মনুং হুঞ্জিন্না নৈনবগী তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। অফবা শরুক লৌশিনবা, ফত্তবা শরুক খাইদোক্লদুনা মীওইবা খুন্নাইগী হিংমিন্নবগী খুদোংচাবা লৌশিনমিন্নদুনা তাথোক তাশিন তৌনবগী মতম ওইরে। মীনা তৌরিমখৈ য়াদে, ঐনা তৌবনা মফরে হায়বা ঐ হায়বসি থাদোক্লদুনা ঐখোয় হায়বা মীৎয়েংলোমদা পূক্নিং চঙশিনমিন্নরসি। লৈবাক অমা চাওখৎহনবা হায়বসি এদ্যুকেসন য়াওদবা য়াদে। মপূং ওইরিবা এদ্যুকেসনবু তরু-তরুবা শক্তম ওইনা উহন-খঙহনবা মথৌ তাই। এদ্যুকেসনগী চৎন-কাঙলোন তরু তরুবা ওইরবতদা পূন্নমক ৱাখল তামিন্নগনি হায়বসি খঙমিন্নবা তঙাইফদে। এদ্যুকেসন্দা মোৎলবা, শেঞ্জা থুমজা য়াওরবদি মাঙনবগী মরুওইবা মচাক অমনি। মসি পূন্নমক্কী হৌরকফমদি শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গ, অচান-মীরাই নাইবগী ৱাফমদগীনি। ঐখোয়গী মরক্তা ঐগী মীগী হায়বসি থাদোক্লরগা ঐখোয়গী হায়বসিনা য়াম্না মরুওইবা মীৎয়েংনি। ৱাফমসি লাকপদা পোলিটিকেল পার্টিগী মরক্তা পুকচেল শেংবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। ৱাফম অসি লাকপদা শেঞ্জা থুমজাগী কল্লবা মীৎয়েং নাথৈবা য়ারোই। এ বি সী খঙদবা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোন খঙদবশিংনা শেঞ্জা থুমজা তৌরগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকপা হায়বসি অহানবমক্তদা থাদোকপা তঙাইফদে। এম পি, এম এল এদগী হৌরগা খুঙ্গং, সহরগী লৈঙাকলোন্দা মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে।

মরম অসিনা এম পি, এম এল এ অমগী তঙাইফদবা এদ্যুকেসনগী মফম অমা শেমদনদি লৈবাক অমা চাওখৎহনবা হায়বসি খক য়ারোই। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মরমদা য়াম্না কুপ্না খঙ হৈরবশিংনা পোলিটিক্সকী মরমদা চঙশিনবগী মথৌ লৈতবা নত্তে। ঙসিদি দেমোক্রেসিগী নমাদা এ বি সী খঙদবা, মাগী মাগী মমালোল ফাওবা ইবা-পাবা হৈতবা কয়ানা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী য়েংলগা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিল্লকপনা অফবা লৈঙাক খক পুরকপা য়ারোই। মসি পূন্নমক নুপী-অঙাং, অহল-নহা খুদিংমক ৱাখল তামিন্নবা মতম ওইরে। মরম অদুনা স্কুলগী ওজা ওইবদা মেট্রিক, বি এ, এম এ, মাগী মাগী সবজেক্টকী মরমদা য়াম্না কূপ্না থিজিনবা মথৌ তাদবা নত্তে। মতৌ অসিগুম্না লৈবাক্কী মপি-মপা ওইনা আইন শেমগদৌরিবা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মীশক অদু ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন মুন্না খঙদবা মীশক্না পোলিটিক্সকী লুচিংবা ওইরকপা, এ বি সী খঙদবা মীশকশিংনা মখোঙদগী মতোন ফাওবা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিল্লকপা হায়বসি অফবা ফল পুরকপগী মহুত্তা হেন্না মাঙনবগী মচাক ওইরক্কনি। ইন্দিয়া চাওখৎহনসি, শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী ৱাফম থমদবা, অরুবা লৈঙাক অমা ওইহনগে হায়রবদি মখোঙদগী মতোন ফাওবা য়াম্না কূপ্না শেমগৎপগী মথৌ তাদবা নত্তে।

ঙসিগী খম থেংনা চাওখৎলবা কম্প্যুটরগী চকসিদা চত্থরক্লিবা পোলিটিক্সকী খোঙচৎ মীয়াম্না য়াম্না কূপ্না নৈনমিন্নবগী মতম ওইরে। খুদম অমতং নীংশিংমীন্নরবদা ইবা-পাবা হৈতবা কয়ানা ঙসিগী খুঙ্গংগী মীহুৎ খনবদা অয়াবা থল্লিবসি করম্না অফবা অচুম্বা খোঙথাং ওইগদগে। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা ইচা-মীচা, য়োংলৈ-মেলৈ নাইদনা মখোঙদগী মতোন ফাওবা শেমগৎপগী মতম ওইরে। যূম্ফম ফৎতনা অচৌবা য়ূম শাগৎপা য়ারোই হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ঙাক্তনি। মীৎয়েং অশোমদা মখোঙদগী ইমালোল পাবা-ইবা হৈতবা কয়া পোলিটিক্সতা য়াওশিনহনবা হায়বসি মকোক থোংবশিংনা শরৌ-লাং থাকপগুম থোক্কনি। মসিমক অখঙ অহৈশিংনা য়াম্না কূপ্না য়েংশিনবা মথৌ তাই। ঙসিগী কম্প্যুটরগী চক, অনৌ অনৌবা মতমসিগী চাওখৎলকপগী তাঞ্জাসিদা পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়নশিংনা ঐগী মীগী হায়বা খন্দনা পূন্না ফমিন্নদুনা চুমথোকমিন্নবগী মতম ওইরে। খুঙ্গং-সহরশিংদা ঙসি ভোট লেপ্পরক্লিবা খুদিংমক ইংলিস ইবা-পাবগী ৱাফম নত্তনা ইমালোল ওইরিবা মীতৈলোল ইবা-পাবা থোক্তবা কয়া ভোট লেপ্পবগী থবক চত্থরকপা হায়বসি অফবা খোঙথাং ওইগনি নীংদে। শেঞ্জাউ পায়বগী কল্লবা ঈচেল, শানৈ-য়ুনৈবগী থবক ওইনা চত্থরক্লিবা খুদিংমক মতৌ করম্না থিংগদগে হায়বা লৈঙাক্না চেক তৌবা মথৌ তাই। খুঙ্গংগী জিলা পরিষদ অমদি মেম্বরশিংগী মীখলদা ঙসি থাংজিন্নরক্লিবা শানৈ-য়ুনৈবা, মসিগী মথক্তা মেম্বর অমা ভোট লেপ্পগীদমক চাদিং তৌনরিবা লুপা লাক্ষ ১০/২০, জিলা পরিষদ লেপ্পা মীশক অমনা লুপা লাক্ষ ৪০/৫০ গী চাদিং তৌরিবা অসি অফবা খোঙথাং ওইগনি নীংদে।

মরম অদুনা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মচিন্দা লাউরিবা কয়াসি কদাই ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্লবগে হায়বসি হেন্না কূপ্না নৈননীংঙাই ওইরে। মতম শাংনা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী চৎনবীদা খুদুং ইন্দুনা লাকপগী হৈনবী লৈঙাক্না চুমথোকপীনবা করি করিনো থিজিনবীফম থোকই। মদুদি নত্তনা ফজ-ফজরবা ৱারক্কী তয়ালগুম ঙাংবনা মরু চঙবা খুন্নাই অমা ওইহনবা খক য়ারোই।

মপূং ওইনা হন্দক্কী খুঙ্গংগী পঞ্চায়ট মীখলসিদা চত্থরক্লিবা ভোটকী চৎনবীসিনা কৈদৌনুংদা অওনবা খুন্নাই, অনৌবা অফবা সোসাইটি অমা পুরকপা ওইথোক্লোই। মসিদি এম পি ইলেক্সন লাকপদা অমদি এম এল এগী ইলেক্সন লাকপদা পাড়া অমা ওইহৌননবা মখোং শোন্বীবগুম থোক্কনি। ইলেক্সন অমুক লাকপদা নহারোল চা কয়াগী পুন্সি মাঙহনবসি অফবা খোঙথাং নত্তে। ঙসিগী চত্থরক্লিবা মওংসি লৈবাক মাঙহন্নবগী ভোট মখল অমনি। মসিবু থিংবা হায়বসি আইন অমগী মখাদা চপ চানা থবক ওইনা পাঙথোকপা মতম ওইরে। মেম্বরগী মীরেপ ওইবদা ইবা-পাবা হৈতবা কয়াবু দেমোক্রেসিগী নমাদা মীরেপ ওইবা য়াহনবা হায়বা মসিদগী হৌনা শেমদোকপা তঙাইফদে। মসিমক্না মরম ওইরগা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী ৱাফম ময়েক শেংহল্লি। মসিগী মথক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাউহনবা মশীং হেনগৎলকই। হন্দক্কী মীখলসিগী মখা চত্থরকপদা চাউরবা এম পিগী মীখল লাক্লগনি। মসিগীদমক অনৌবা চাংয়েং অমগী পাড়া তন্বীবগুম থোক্লবনি। পীকখ্রবা মেম্বর অমগীদমক লুপা লাক্ষ ৫দগী ১৫-২০ ফাওবা চাদিং তৌনরি। মতাংসিদা বি জে পিগী লৈঙাক্না ফনা কন্না হোৎনরবসু অচুম্বা অশেংবগী মমল কৈদৌনুংদা লেপ্পা ওইথোক্লরোই। লৈবাক অমবু অচুম্বা অশেংবা শেঞ্জা-থুমজা লৈহল্লোই হায়রবদি মখোঙদগী মতোন ফাওবা শেমগৎপা মতমনি। মেম্বর মীরেপ ওইবগী তরু তরুবা, প্রধান, জিলা পরিষদনচিংবা মীরেপ চম্না তকোম তকোম থাদোকপা মসিদি মথংগী এম পি অমদি এম এল এগী মীখলগীদমক ট্রেনিং থাবগা চপ মান্নরে। লমদমসিদা শেঞ্জা থুমজাগী ঈহৌসিদি নোংমা নোংমগী কনখৎলকই। খুদম অমতং পঞ্জরবদা লুপা চৎপীদগী হৌরগা অপীক অপীকপা শেনয়েক পুথোকপা মথৌ তাই। হন্দক্কী বি জে পি লৈঙাক্না লুপা ২০০০ চৎপী পুথোকপসি শেঞ্জা থুমজা, ভোটকী শেল য়েনবদা নুংঙাইনবা ওইনা থোক্লে। মমাঙগী ইলেক্সন্দা লুপা ২০০০ চৎপীনা খূৎলামখা ওইখ্রে। মসিমক মোদি লৈঙাক্কী ফজবা মওংদা তমথিরবা শক্তম অমনি হায়দবা ঙল্লোই। লমদমসিদা অচুম্বগী মফম নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবসি লৈঙাক্কী কাঙলোন শোয়বদগীনি। মসিমক মোদি লৈঙাক্না খঙবীফম থোকই। মরম অদুনা মোদি লৈঙাক্না খরদং হেন্না লুম্না খন্থবা মতম ওইরে।



# লোক নায়ক জয় প্রকাস নরায়ন

মনিহার গোশ্বামি
(ভেটরান জর্নেলিষ্ট)

**হৌখিবা** নবেম্বর ১৫, ১৯৫৪দা মণিপুরনা মপূং ফাবা ষ্টেটহুদ অন্দলোন হৌখি। মসিদা মীওই লিশীং তরা হেনবনা অন্দলোন অদুদা শরুক য়াখি। অহানবা অন্দলোন অদুদা নোংমৈকাপম নবকিশ্বর, শোৱাইজম সোমোরোন্দ্রা, লাইশ্রম অচৌ, ৱাংখৈময়ূম কুলবিধু, খ্বাইরাকপম কোল্লাকান্তা অসিনচিংবা ঙসি তাইবঙপান থাদোকখ্রবা নেটাশিংনা লুচিংখি।

ইন্দিয়াদা কোংগ্রেস পার্টিদগী থোরকখিবা অচ্যর্জা কিপালিনিনা লুচিংবা কাঙবু অমনা কুমজা ১৯৫২দা Kishan Mazdoor Praja Party (KMPP) শেমখি। মণিপুরদসু কোংগ্রেসতগী থোরকপা শোৱাইজম সোমোরেন্দ্রো, নোংমৈকাপম নবকিশ্বর অসিনচিংবা অচুম্বা পান্থশিংনা কোংগ্রেস পার্টি শেমখি। পার্টি অনীসিনা পূল্লগা মণিপুরদসু Praja Socialist Party (PSP) শেমখি। অসিগুম্বা পার্টি অসিগী লুচিংবা জয় প্রকাস নরায়ন, ডা. লোহিয়ানা লুচিংখি। অদুনা মণিপুরদা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা মপূং ফাবা ষ্টেটকী অন্দলোন অদু কুমজা ১৯৭২গী জান্যুৱারীদা মপূং ফাবা ষ্টেটহুদ ওইরকখিবনি অদুনা ষ্টেট অসিদা জয় প্রকাস নরায়ন অমদি ডা. লোহিয়া অনীসিবু মতম পূম্বদা কাউবা য়ারোই।

জয় প্রকাস নরায়ন বিহার অমদি য়ু পি অনীগী লোন্নবা মফমদা কুমজা ১৯০২দা পোকখি। ওক্টোবর ১১ অসি মহাক্কী মপোক নুমিৎনি। য়ু পি মনুং চনবা সিটারিবিরা হায়বা খুঙ্গংদা লৈবা হরগুদয়ান কৌবা অমগী মচানি। মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী বুধি চঙখোনবা ওইরকই। তম্লুবা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি খুদিংদা মাঙজিল থারকই। নোম্বা কনবা, মীনুংশি চাউবা, মপা-মমা, মরুপ-মপীজা, অহল-লমন্দা হেন্না মীনুংশি লৈরকই, কুমজা ১৯১৯দা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা য়ু এস এদা মহৈ তম্বা চৎখি। Oxford, Harvad, Stanford, Yahoo অসিনচিংবা য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্লকখি।

গনতন্ত্রদা থৱায় লুপচবা ঐখোয়গী ইন্দিয়া ঙসিদি মালেমগী মনুংদা হীরম কয়াদা নোপ্তুবা, শক্তি লৈরবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমনি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিদা শক-চু মান্নদবা, লোল ধর্ম্ম খেন্নবা কাঙলুপ কয়ানা নুংশি চান্ননা পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নদুনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈমিন্নরক্লি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিনা নীংখা-তম্বা ফংদ্রিঙৈ মমাঙদগী 'ইন্দিয়া' বু মশক নাইবা, মতিক-মগুণ লৈবা অনৌবা ইন্দিয়া অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াবিরম্বা অমসুং মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা কখোকপা হায়বা ধর্ম্মনা মাঙওইননা, পুন্সি চূপ্পা Jivan Dani অমা ওইদুনা সার্বোদয়াগী লমদা খোঙ থাংজিন্দুনা লৈবাক মীয়ামগীদমক পুন্সি লোমখিবা শক্লাইরবশিংগী মনুংদা "Lok Nayak Jay Prakash Narayan" সু শিংথানীংঙাইনি।



Jaya Prakash Narayan
জয় প্রকাশ নারায়ণ

"Lok Nayak Jay Prakash Narayan" মহাক্কী পুন্সিগী অঙম্বা মতমদা Maxist অমা ওইনা হৌরক্লবসু কুমজা ১৯২৯দগী ১৯৫৪ ফাওবা চহী ২৫ চূপ্না সোসিএলিষ্ট অমসুং Sarvodaya লুচিংবা অমা ওইনা লৈবাক্কী থৌরম থৌদাং কয়াদা অচৌবা শরুক য়াখি। অসিগুম্বা লিদর অসিনা কুমজা ১৯৩২দগীনা কুমজা ১৯৩৪ ফাওবা সোসিএলিষ্ট অমা ওইনা অমসুং Socialist Leader Minnoo Masani, Ashok Maheta অমসুং N. G. Goray গা লোয়ননা নাসিক সেন্ট্রেল জেলদা লৈখি। জেল মনুংদা বন্দি অমা ওইনা লৈনা লৈনা কুমজা ১৯৩৪দা কোংগ্রেস সোসিএলিষ্ট পার্টি লিংখৎখি। কুমজা ১৯৪২গী ইন্দিয়ন ওইনা লৈনা লৈনা কুমজা ১৯৩৪দা কোংগ্রেস সোসিএলিষ্ট পার্টি লিংখৎখি। কুমজা ১৯৪২গী ইন্দিয়ন ফ্রীদম অমসুং গ্রেট রেভল্যুসনরিগী ঈহৌদা মহাক্না Ram Monohar Lohi, Aruna Asaf Ali অমসুং Achutta Patwardhan নচিংবা ফ্রীদম ফাইটরশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়া থাদোকউ হায়বা খোল্লাও কয়া লাউদুনা চৎখিবা খোঙচৎ কয়াশিং খক নাথৈদুনা থম্বা য়ারোইদবা ইন্দিয়ন হিষ্টোরি অমসুং ইন্দিয়ন থোটনা শাখি থমখ্রবা ইন্দিয়া অমগী পুকচেল চাউরবা মচানি।

নাসিক সেন্ট্রেল জেলদগী থোরক্লবা মতুংদা হজারিবাঘ সেন্ট্রেল জেলদা মতম অদুগী রেভল্যুসন্নরিগী ঈহৌদা ফাজিন্দুনা থমখি। অদুবু অমুক হন্না কুমজা ১৯৪২ অসিমক্তদা হজারিবঘ সেন্ট্রেল জেলদগী থৌনা ফনা কম্মরেদ মঙাগা লোয়ননা নান্থোক্তুনা চেল্লকখি অমসুং "The Great Hero" হায়বা মীংথোল ফংখি। অদুগা সেপ্তেম্বর থাদা অগ্রা জেলদা ফাজিনখি অমসুং কুমজা ১৯৪৬কী এপ্রিল থাগী তাং ১১দা অগ্রা জেলদগী থাদোরকখি।

অসুম্না মরৈবাক্কীদমক খনবতা নত্তনা মালেমগী শান্তি থম্বা পামজবা মীশক অমা ওইনা অমসুং শান্তি থম্নবা হোৎনবদা মপাঙ্গল ওইনবগীদমক মহাক্না কুমজা ১৯৬১দা Shanti Sena Vidyalaya (Peace Force School), Tarun Shanti Sena (Young Peace Force) অমসুং Gandhi Vidya Samaj লিংখৎখি। অসিদা নত্তনা মহাক্না লন্দন্দা মালেমগী লৈবাকশিংদা খূৎলায় পায়হন্দবগী Conference (Disarmment) তসু শরুক য়াখি অমসুং বৈরুটতা মালেমগী শক্লাইরবা লিদর Bertal Russell, Micheal Scoutt, Kennette Kaunda, Julius Nyerere, Martin Luther King নচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা ফমখিবা পিছ কনফরেন্সতা জয় প্রকাশ নরায়নসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি অমসুং কুমজা ১৯৬২দা মালেমগী Peace Brigade কী কো-চ্যেরমেন অমা ওইনা কেনিয়াদা World Peace Brigade য়াওনবগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখি। অসিদা নত্তনা মহাক্কী পান্দমদি লোয়বা নাইদে অমসুং কুমজা ১৯৬৪দা মতম কুইনদগী লোইশিনবা ঙমদ্রবা নাগাগী ইস্যু লোইশিন্নবগীদমক্তা নাগা পিছ মিসন কম্মিটি শেমখি। অসিগুম্লবা মিসন কম্মিটি অসিগী মরুওইবা থৌদাং য়াখিবা মীওইশিংদি Jay Prakash Narayan অমসুং Nagaland Baptist Leader শিংনা মাগী মাগী লৈঙাক্কী মীহুৎ শিন্দুনা ইস্যু অদু শান্তি ওইনা লোইশিন্নবগীদমক ওপোজিসন পার্টিশিংগা লোয়ননা বিহার জঙ্গলদা মিতিন তৌদুনা য়ানরবা মতুংদা ইস্যু অদু শান্তি ওইনা লোইশিনখি অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহনখি। অসিদা নত্তনা কুমজা ১৯৭২দা চম্বল ভেলিগী তমথিরবা দাকুশিংগী পুন্সিবু খূৎলায় থাদোক্তুনা Jay Prakash Narayan অমসুং Vinoba গী মমাঙদা চঙজরক্তুনা খূৎলায়গা লোয়ননা সরেন্দর তৌখি অমসুং তং তাবা মীওইবগী পুন্সি মরেলদা লৈতাহনখিবা ঙম্বা অসিমক মহাক্কী খ্বাইদগী চাউবা থৌদাংনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**চাউরাক্না** চহী লিশীং ২গী মমাঙ কুমজা ১৮০৫-১৩৫৯ বি সী অসিদগী হৌনা খৃষ্টগী চহী ৩৩ এ দি অসিদা নিংথৌ কাংবা অমদি নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতম ফাওবদা নিংথৌ মথং মথং কায়দনা নিংথৌরোল কয়া পানখিবা ঐখোয়গী য়েলহৌমী ওইনা চাদা-নাওদা লৈরক্তুনা কংলৈপাক মণিপুর শেল্লকখিবনি। মতমদু চীংদা নত্তনা তমদা খুন্দা লৈতাবা য়ারমদে। অসুম্না মথং মথং নিংথৌ কয়া শিন্দুনা পাল্লকপনা (২৬৪-৩৬৪ এ দি) দা তাওথিংমাংনা নিংথৌ ওইদুনা ইম্ফাল তুরেল অমদি লোক্তাক, চীংনুংহুৎ শেমগৎতুনা মণিপুর তম্পাক ঈশিং কংহনখিবগী ৱারী ঐখোয়না অইবা লাইরিক্তা থেংনৈ। মসিদগী নিংথৌ পুংশিবগী মতম (৩৭৯-৩৯৪ এ দি) অসিদদি তম্পাক্তা খুন্দা লৈতাবগী মমি লৈরকখ্রে। অদু ওইরবদি মণিপুরগী তম্পাক্তা নত্তনা চীংগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়া অসি চীং তম খাইদোক্তুনা পূন্না য়েলহৌমী ওইরকই মরমদি ঙসিগী চীংগী ফুরুপ কয়াসি অতোপ্পা গ্রহদগী লাকপা নত্তে। মসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী কনবদা মখোয়গী শরুক য়াফম থোকই। অদুগা অমুক নিংথৌ খাগেম্বগী সনা হাক্তক (১৫৯৭-১৬৫২ এ দি) অসিদা পাঙল ১০০০ তখেন্দগী পুরক্তুনা মণিপুরদা মীতৈ পাঙল ওইনা খুন্দা লৈতাখিবগী ৱারী শিংবুল কয়া চৈথারোল কুম্বাবদা পূন্নমকশিং অসি থেংনৈ। ঙসিগী চীংগী ইচিন ইনাওশিং অমদি চহী চামঙামুক্কী মমাঙদগী লৈরক্তুনা য়েলহৌমী ওইরকখ্রবা মীতৈ পাঙল পূন্নমক অসিসু কংলৈপাক্কী য়েলহৌমী ওইনা নিংথৌ কয়াগী ৱায়েল থৌদা মখাদা লৈরক্লবনি হায়বা অসি ময়েক য়াম্না শেংই। অদুবু মণিপুরগী ওইনা য়েংবদা মীতোপ্না য়োৎশিনখিগদবদগী কন্নবা ঈহৌ নৎত্রগা মদুগী খোইরাংবা কয়া অসি মথক্কী পল্লিবা চীংগী য়েলহৌমী ফুরুপ কয়া অসিগী থম্মোয়দা মদুগী মমি তাবা উদে অমসুং ঙসিগী লমদমসিগী য়েলহৌমী ওইরবা মীতৈ পাঙলশিংগীসু মদুগী নুংনাংবা লৈতে। হীরম খুদিংদা মণিপুর কন্নবা অমদি মণিপুর কায়খিগদবদগী মিৎ-না শিংহৌবা হায়বা অসি তম্পাক্কী মীতৈখক্তগী ওইবা য়ারোই। ঙসিগী চীংগী ফুরুপ ৩০ হেনবগী মীওইগীসু মণিপুরনি, মীতৈ পাঙলগীসু কংলৈপাক মণিপুরনি। ঐখোয় খুদিংগী থৌদাং ওইফম থোকই। পাঙলগী মণিপুর অমদি চীংগী মণিপুর তোঙানদে।

মণিপুরদা মীতোপ চঙবদা কায়রিবা অমদি মাঙজরিবা অসি তম্পাক্কী খুবী মমায়দা লৈবা মীতৈ ফুরুপ অসিখক্তা ওইগদ্রা? মীতোপ চঙবা থিংনবা হোৎনবদা চীংগী ইচিন-ইনাও ফুরুপ খরনা ৱাখল খোইরাং খোইশাওনবগী ৱাহন্থোক্না করিনো। মসিগী মরম অমা লৈফম থোকই। অদুনা মসিগী অপাম পামদগী ৱাখল লৈতনা শম্বলদা লৈবা মীওই অমা ওইনা লৈরিবা ঙসিগী মুসলিম ইচিন ইনাওশিংগীসু মরম অমা লৈব্রা? ঐখোয় লমদম অসিগী লৈহাওদা হিংমিন্নবা খুদিংনা মণিপুর কংলৈ কন্দনা অতোপ্পা গ্রহদগী লাক্তুনা কল্লবা কৈদৌনুংদা য়ারোই। অমুক্কা হেন্না লাইবক থীরিবদি হান্ননা নীংখা তম্না লৈজরম্বা অদু কুমজা ১৮৯১দা মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখ্রবদা বৃটিশ ইন্দিয়ানা মতম অদুদা ইন্দিয়াগী অতৈদা তৌবগুম মখোয়গী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবদা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা অমদি অনীংবা অমত্তা তৌবা ঙমজদনা লৈরকখি। অদুগী তুং কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪/১৫গী অহিং নোংয়াই চবুক্তা ইন্দিয়া নীংতম্বদা মণিপুরসু য়াওরে। মতমদুদা ইন্দিয়াগী মনুং চন্না তমখিবা নীংখা তম্বা নত্তে হান্নগী মশাগী লৈজবা থাক্তা তমজহৌবনি। অদুগী তুং কুমজা ১৯৪৯দা বোধচন্দ্র মহারাজবু শিলোংদা কৌদুনা সেপ্তেম্বর ২১দা মোরেল লোকঅপ তৌদুনা থম্বীখি। মদুগী তুং কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা নমদুনা খূৎয়েক পীহনবদা মণিপুরগী ইলেক্টেদ মেম্বর অমফাওবা খঙহনখিদে। অদুগী তুংদা কুমজা ১৯৫০গী নবেম্বর ১৮দা লমদম অসিগী হান্না লৈজরম্বা ইন্নর লাইন পার্মিট মপূং ফানা লৌথোক্তুনা মণিপুরগী মনুংদা মপান্দগী মীতোপ কয়া কোম্না অমদি লায়না চঙলকপা হৌরকখিবনি। অদুগা ইন্নর লাইনগী বেজ ইয়র লেপ্পা কুমজা ১৯১৭ চুড়াচান্দ মহারাজগী মতমদা থোকখিবা হাওরান (খোংজাই লান) হায়বা অমা থোকখি। মদুদা মণিপুরগী কুকি অয়াম্বা মিজোরামদা চেনশিনখিবা মদু তপ্না তপ্না অঙনবা অমসুং অথেংবা মতমদা মণিপুরদা লাকপদা মদুনা বেজ ইয়রদা অকায়বা লাকপরা, মসিসু চিংনদবা ঙমদে। পূন্নমক অসিদা অমুক মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রিবা কয়াদা রিফ্যুজি কয়া য়াওখিদুনা মখোয় লমদমসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লমদমসিগী মীওইশিংগী মরক্তা তিনখিবনি। মসিদা মরুওইনা শোয়খ্রিবা অসিনা লাক্লিবদি কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনখিবদা মণিপুরগী মীওই খুদিং ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা ইন্দিয়াগী নাগরিক অমা ওইররে। অদুদি ইন্দিয়াগী নাগরিক অমা ওইনা ইন্দিয়া মনুংগী অপীকপা ওইরো অচৌবা ওইরো মীখল থেংনবা অমদি মীখলদা মীহুৎ খনবা য়াবগী হক ফংফম থোক্লে। অদুনা মীতোপ্না মীহুৎ খনবা অমদি মীরেপ ওইবা য়াবগী কনষ্টিট্যুসন্না পীবিরে। মসিদা শোয়খ্রিবা অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা তিল্লবসু মণিপুরগী ওইবা তোঙানবা য়েলহৌমী অমদি মীতোপকী খেন্নবা অসি কন্দিসন খরদা থম্বীরল্লবা অমদি মদুবু তোঙানবা মণিপুরগী লৈঙাকপশিংনা চয়েৎনরোইদবা বিল শেম্বীদুনা মদুবু এক্ট ওইনা থম্বীরমগদবনি। হৌজিকসু মদু থমদনা য়েলহৌমী নৎতবা মীওই হুম্ফুতরুক মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনগদৌরে হায়না খোইরাং খোইশাওনবা অসি মীচম মীয়াম ঐখোয়গী সেন্টিমেন্ট য়েংবীদুনা মদুবু কন্নবা ঐখোয়গী লৈঙাক্না অচেৎপা ফিরেপ লৌবা তঙাইফদে।

অতোপ্পা অমনা মণিপুরগী তম্পাক্কী মীতৈ ফুরুপ অসি কুমজা ১৯৮০গী অদুৱাইদগী লৈঙাক্কী থৌশিল অমনা অঙাং অনী নৎত্রগা অহুম্না ওল্লসি হায়বা অকনবা থবক কয়া পায়খৎখিবা অদু মণিপুরগী মীতৈ ফুরুপ্তা মদুগী মমি চাউনা তাখিবনা মীশিং হেনগৎপগী চাং য়াম্না নেম্না লৈরি। অদুগা মণিপুর তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা ওইবনা ফেমিল্লি প্লান্নিংগী মমি অতোপ্পা ফুরুপশিংদা মমি তাবগী চাং য়াম্না হন্থে। অদুনা অতোপ্পা ফুরুপকী মীশিংনা ঈশিং ঈচাওগী মতৌগুম হেনগৎলক্লি। মসিদা খুবি মমাইমুক্তা পাকপা মণিপুর মীতৈশিং অসি অতোপ্পা ফুরুপ কয়ানা উপশিনখিগদ্রা চিংনদবা ঙমদে। মরমদি মীতৈগা ফুরুপ অতৈগা ঐখোয় মণিপুর মচা ঙাক্তনি, মণিপুর কনবদা তম্পাক্কী মীতৈ হায়বা খরখক অসিগী মথৌদাং নত্তে, অতোপ্পা ঐখোয়সু লোল ধর্ম্ম অমদি ফিজেৎ চাকচা তোঙানজরবসু ঐখোয়সু ইমা লৈবাক মণিপুর কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়না খনফম থোকপনি। পূন্নমক অসিনা মরম ওইরগা ফুরুপ খুদিংনা মণিপুরগী ঙমখৈগী ওইরো আই এল পিগী ওইরো মণিপুর অমত্তা ওইবা শক্তমগী ৱাফমদা কৈদৌনুংদা লৈথোকপা তৌনরোইদবনি। তম্পাক্কী সী এস ও কয়ানসু থবক অমা তৌরমদাইদা ফুরুপ খুদিংগী লুচিংবা অমদি সী এস ও কয়াবু হুন্দোকপা তৌরোইদবনি ঐখোয় অপূনবা মণিপুর অমগী মঙ চপ মান্ননা মঙমিন্নগদবনি। অদুগা লৈঙাক্নসু মতম মতমগী ওইবা থোক্লক্কদবা খেন্নবগী অমদি মণিপুর কায়রক্কদবদগী মিৎ-না শিংনা লৈফম থোকই অমসুং মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক কয়া তৌফম থোকই। লৈপাক্কী অমদি ইরমদমগী থৌগল তৌগে খনবা খুদিংনা অপূনবা মণিপুর অমগী আশা তৌমিন্নদুনা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনফম থোকই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, ককচীং খুনৌ*